# হেটট্রিক চেম্পিয়নগী মঙলান মঙলন্বা নেরোকা ট্রাউগী মখুৎতা টাই ব্রেক্তা মায়থীহৌরে

57TH CC MEET FOOTBALL

SEMI FINAL

SSB vs NISA (8-1-2014)
MAIN STADIUM (1.30 PM)

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৭ঃ* সি সি মিটকী ইটিহাস্তা থংননা চহী অনী ইং ২০১১ অমদি ২০১২ তা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নেরোকা শঙাকফমনা হেটট্রিক চেম্পিয়ন ওইবগী মঙলান মঙলকখিবা অদু ট্রাউ ক্কাকৈথেলগী মখুৎতা সেমি ফাইনেলদা টাই ব্রেক্তা গোল ৫–৪ দা মায়থীখিবদগী মঙফাওনখিদ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নেরোকা ট্রাউগী মখুৎতা টাই ব্রেক্তা গোল ৪–৫ দা মায়থীহৌবদগী হেদট্রিক্কী মঙলান অদু নিংবা কাইখিবনি।





ট্রাউ ক্কাকৈথেল অমদি নেরোকানা শঙাকফমনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচকী মতাং অমা (ওই), ট্রাউবু ফাইনেল চঙহনখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রবা গোলকিপর কুমার।

টিম অনীমক্কা অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমমম চন্নদুনা মান্ননা লৈনখি। মেটচ অদুগী মরাইবক লেপ্পবগীদমক টাই ব্রেক্কা দিসাইদ তৌখিবা অদুদা ট্রাউনা গোল ৪ অদুগা নেরোকানা গোল ৩ চনবা ঙমখি। নোর্মেল টাইমগী ট্রাউগী গোল অদু ৪০ শুবা মিনিটতা এন মোমোচানা কাওরকখিবা কোর্নর কিক্তা দেনিয়েল এল মারনা হেদ্দিংদা চনখিবনি। নেরোকাগী গোল অদুনা এল গৌরোনা পেনাল্টিদা ৭৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

ট্রাউগী দিফেন্দর এস পিবা সিংহ অমদি দেনিয়েল এল মারনা নেরোকাগী নহা ওইরিবা ষ্ট্রাইকর এম দিপক সিংহনা পেনাল্টি এরিয়া তম্না পুশিল্লকখিবদা নিয়মগী ৱাংমদা ফোল্ট তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অদু নেরোকাগী ফেবরদা পীখিবনি।

টাই ব্রেক অদুগী ট্রাউগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে প্রিয়োকুমার সিংহ, এম মৈনো সিংহ, এল বিক্রম অমদি এন ধনঞ্জয়না চনখিবনি। নেরোকাগী গোলশিং অদুনা এম দি সোহেল সাহা, এম দিপক সিংহ অমদি কে ঐচ ছটিশনা চনখিবনি।

ট্রাউনা ইডিসনগী অসিগী সি সি মিটকী ফাইনেল চঙহনখিবদা নহা ওইরিবা গোলকিপর সি ঐচ কুমারগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা www.epao.net না পীবা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংখি।

# এস দব্লিউ সি অমদি য়ু বি এস এ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৭ঃ* সেনা এঠলেট ওগর্নাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ১৫ শুবা সেনা কপকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এস দব্লিউ সি ৱাইখোং অমদি য়ু বি এস এ মন্তক মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা এস দব্লিউ সি ৱাইখোংনা এ কে এস এ ককচিং খুনৌবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস দব্লিউ সিগী গোলশিং অদু সিতলনা ৩৮ অমসুং ৫৯ শুবা মিনিটতা অনী অমদি কিষননা ২ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। এ কে এস এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোজেননা ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা য়ু বি এস এ মন্তক্না ৱাই দব্লিউ ককচিংবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীখি। য়ু বি এস এগী গোলশিং অদু শেন গোল অনী অমদি নাইফুননা অমা চনখিবনি।








# সি দি ও, কে ঐচ এস সি অমদি ঐচ য়ু হেরোজিৎ নীংশিং হোক্কীদা মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৭ঃ* খুমন লম্পাক হোক্কী প্রেক্টিস ফিলদা মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা চথরিবা অন্দর ১৪ বোইজ হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা সি দি ও চরাংপাৎ, কে ঐচ এস সি খোংমন অমদি হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই মায় পাকখ্রে।



অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা সি দি ও চরাংপাৎনা এ জে এস এ চরাংপাৎপু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা কে ঐচ এস সি খোঙমননা ৱাই সি লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু গোল ৫–০ দা অমদি অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা সি ও শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইবু গোল ৮–০ দা মায়থীবা পীখি।

# বি এম এস সি অমদি কৃপসা ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৭ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ খুমন লম্পাক্তা চথরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রীমিয়র কপ সেলেক্সন কম্পিটিসনগী ফাইনেলদা বি এম এস সি তাওবুংখোক অমদি কৃপসা নাওরেমথোংনা হয়েং নুংথিলগী পুং ১২.০৫ তাবা মতমদা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা বি এম এস সিনা ৱাই দব্লিউ সি মালোমবু গোল ৬–০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। বি এম এস সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন জি জেনিস্না ৫০, ৬১ অমদি ৬৯ শুবা মিনিটতা অহুম, সাইমিন্থাং, দব্লিউ সুরেশ অমদি বুংথানলুংনা মথংশিংনা ২৩, ৩২ অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

# লিজবোন লুৱাংশঙবম সেমি চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৭ঃ* ক্যামগৈ আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা লিজবোন লুৱাংশঙবম্না ওসিন কোংবা ইরোংবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। লিজবোনগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু অজিৎকুমারনা অমদি ওসিনগী গোল অদুনা গান্ধিনা চনখিবনি।






Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*